ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯷, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯳꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, এপ্রিল ২৭, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩ শুবা চহী, ০৩০শুবা মশীং

# অফস্পাগী মতাংদা লুচিংবশিংগী ফিরেপ

## *মীয়াম্না থেংনরিবা খূদোংচাদবশিংসু খন্নবা চুম্মী*

জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং অৰাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা মথৌ পাঙথোক্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা অহেনবা মতীক-ময়াই পীরিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট (অফস্পা)গী মতাংদা য়েৎনদুনা লাক্লিবসি মতম ফনা কুইশিল্লক্লে। দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা চৎনরিবা এক্ট অসিগী মরুম থুপ্লগা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কা-হেনবা থৌওং চৎথে হায়না মীয়াম্না লাউরি। নাকল অমরোমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হায়রিবদি লালহৌবগী অকনবা মফমনি হায়না লৌনরিবা জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং অৰাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা অফস্পা চৎনহন্দবা মতমদা খূৎলায় য়াওদনা লান চঙবা ওইনা থোক্কনি হায়বসিনি। হীরম অসিগী মতাংদা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ, জেনরেল বিপিন রাৱটনা হায়খি, হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ফীভম অসিদা অফস্পা লৌথোকপগী ৱাফম খন্নবা মতম চাদ্রি। অফস্পাগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ) অমসুং দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা অৰাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নরিবা মরম্না আর্মি চীফকী ৱাফম অসি য়াম্না মরু ওইনা লৌনরি। এক্ট অসিদা মতমগা চূনদবা, ময়াক কনবা প্রোভিজন খরা য়াওই হায়বা ৱাফম য়াজখিবগা লোয়ননা জেনরেল বিপিন রাৱটনা এজেন্সিদা হায়খি, লালহৌবা নমথনবগী ওপরেসন চৎথবদা য়ারিবমখৈ মীচম-মীয়ামগী রাইট শোকহন্দনবা হোৎনবা মরম্না হীরমসিদা থোইনা নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইদে। হৌজিক ফাওবদা আর্মিগী হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা রেকোর্দ ফজরি। খূৎলায় পায়দনা লান শোক্লবা য়াদবগুম অফস্পা লৌথোকখ্রবদি আর্মিনা লালহৌবা নমথনবগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাং পূন্নমক থোইদোক্লা কান্নবা ফংলোই হায়নসু আর্মি চীফনা ফোঙদোকখি। আর্মি অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা এক্সট্রা জুদিসল ওইবা মীহাৎ চৎথখি হায়বা ৱাকৎ কয়া কোর্টতা থাংগৎলকপগী মতাংদা জেনরেল বিপিন রাৱটনা এজেন্সিদা হায়খি, লান শোক্লবা মতমদা মায়োক্লবা লান্মী অনীগী মরক্তা কাপ্লবা নোংমৈ মৰূশিং শোয়বদগী হাইদোকখিদুনা মীচমদা পানবা য়াই। মদুদা নোংমৈ কাপলুরিবা লান্মী অদুবু মরাল লৈরে হায়না চৈরাক পীবা থোক্লবদি লান চঙবিনবা লান্মী অমত্তা লৈরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়রি।

নাকল অমরোমদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমসুং হ্যুমেন রাইট্স এক্টিভিষ্টশিংনা হায়, মায়োক্লবা লানফমদা খূৎলায় পায়বা মশেল অঙম-অঙন্বা হাৎনবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। লালহৌবা নমথবগী মিংদা মীচম-মীয়াম্বু অৰাবা তাহনবা অমসুং মখূৎ চল্লবা মীওই কয়া খূৎ থোক্লবদনি হায়জিল্লগা হাৎতোকপগী থৌওংদি মালেমগী মফম অমত্তদা চৎনদে। খ্বাইদগী তমথিনা য়েক্লবশিং ফাওবা খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকপা নৎত্রগা লানফা ওইনা ফাবা তারবদি তরাই-তরাই হেক্তা হাৎপা য়াদে হায়বা মালেমগী চৎন-কাঙলোন কয়ামরুম লৈ হায়নসু হ্যুমেন রাইট্স এক্টিভিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসনা হন্দক্তা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ফোঙখিবা ইলেক্সন মেনিফেষ্টোনা হায়খি, করিগুম্বা পার্টি অসিনা মীখলদা মায় পাক্তুনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রকপা থোক্লবদি অফস্পা এমেন্দ তৌনবা থৌরাং লৌখৎকনি। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ওইনদি অফস্পা লৌথোকপগী ৱাফম লৈরোই হায়না ময়েক শেংনা ফোঙদোরকখি। উত্তর প্রদেশতা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা হায়খি, কোংগ্রেসনা অফস্পা লৌথোক্কনি হায়রিবসি মীখল ময়াদা খূদোংচাবা লৌনবা পঙহায় হায়বা ৱাফমনি। লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীদি লায়রদনা অতোপ্পা গান্ধী অমা লাক্লবসু অফস্পা লৌথোকপা ঙম্লোই হায়না অমিট শাহনা মখা তানা ফোঙদোকখি। কোংগ্রেসনা সেন্টরদা মতম শাংনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা এক্ট অসি লৌথোক্লবা হোৎনখিদে হায়না মরাল শীরদুনা বিহারগী সমষ্টিপুরদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীফম অমদা অমিট শাহনা হায়খি, কাশ্মীরনা ইন্দিয়াদগী তোখাই তাখিনবা হোৎনরকপদা কোংগ্রেসনা নাকোয়ননা মতেং পাংশিনবগী মওং অমা উবা ফংলে। হীরম অসিগী মতাংদা হ্যুমেন রাইট্স এক্টিভিষ্টশিংনা হায়রিবদি থম্মোয় শেংনা মণিপুর অমসুং অৰাং নোংপোক্কী য়াইফনবা থবক তৌগে খনবা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তা লৈরমগদবা মান্দ্রে হায়বসিনি। অফস্পা লৌথোকখিনবগী ৱাফম তকশিল্লদুনা মহৈরোয় লুচিংবা অমা মশা মথন্তা মৈ থাদুনা শিজখিবগা লোয়ননা চহী ১০ হেন্না চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবসু থোইনা কান্নবা ফংখিদে। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অফস্পাগী মরুম থুপ্না অরোনবা মীহাৎ অমদি এক্সট্রা জুদিসল ওইবা মীহাৎ চৎথবগা লোয়ননা নুপী ওইবীশিংগী ইকাই খুন্নবা মাঙহনবগী মায়োক্তা লমদমসিগী থৌনা ফরবী ইমা কয়ানা মতম চুপ্পা নীংশিংদুনা লৈহৌরগদবা মওংদা ফি থোংদবা খোঙজং ফাওবা চঙশিনবা লৈখ্রবনি। অফস্পাগী মতাংদা কোংগ্রেসনা হায়বা নৎত্রগা বি জে পিনা হায়বা ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা হৌজিক-হৌজিক মীয়াম্না এক্ট অসিগা মরী লৈননা থেংনরিবা খূদোংচাদবশিং কোকহন্নবগী মতাংদা মশক থোকপা থৌরাং খরা লৌখৎফম থোক্লে।

### *••• এদিটরদা থারকপা চিঠি •••*

# থিংঙৈলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোংদা তাইনবা

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,***

ঐ ঐনা চৎলিবা লমচৎ-শাজৎ তুংদা করি থোরক্কনি খন্থরুবা তৌদনা অনীং-অনীংবা, তৌনীং-তৌনীংবা তৌনরিবা মতম অসিগী হৱা-নুংশিৎ শেংদবা, অশি-অনা, অৰা-অনা তারগা তাইনফম ওইনা লৈঙাকপদা হেক হেক তাইনবা, নুমিৎ মশীং থাদনা মতম হেক্তা থাবা, বন্দ-ব্লোকেদ হেক্তা খুদক্তা তৌশিনবা, লম্বী খুদক্তা হেক্তা থিংজিনবা পূন্নমক পাউচে কয়াদা তত্তনা য়াওনরিবা, উরি-তারিবা পূন্নমক তৌদবা য়াদবা ওইরগসু মফম-মতম য়েংনা মুন্না ৱাখল তানরগা থবক ওইনা পাঙবনা অফবা ওইগনি খঞে।

মুন্না অমুক খন্থরুরগদি মসিবু কনাগী মরালনো? কূপ্না খন্থবা মতম ওইদ্রিবরা? লৈশেন্বা লৈ হায়দুনা লৈশেন্বদা ইশিনবসু লানগদ্রা খঞে। খৎনৌ-চৈনৌ, মী হাৎলু হায়বা লৈশেন্বগী চেথোক তাখিদ্রি। অমরোমদা মানা-মানা তৌরুবা থবক্কী মহয় ফংজবনি খল্লি। লাল্লে হায়রিবা মীদুনা লাল্লমদ্রবা, লান্দ্রে হায়রিবা লৈখিদ্রবা অমদি লৈরিবা কয়াসু মনুংদা তীল চঙলমদবা য়াওরমদবা নত্তে। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো মায়কৈ অমদা নুপা-নুপী কোয়নবদা য়েংবা নুংঙাইতবা কয়া য়াওরবসু লৈকায় অমদি অউবা কনানা নখোয়গী নতৌসে কা হেনমল্লি হায়রু-ঙাঙলুবা লৈতে। উনা-উনা য়েংলগতা মতোকই।

পেন্নদবা, নুংঙাইনরক্তবদগী অৰা-অনা য়াওনরক্লবা কান্দা মীয়াম হুপ্না ঈহৌ হেক্তা শাগৎপা। হোয় শাগৎফমদি থোকই নুংঙাইতবগী অমদি পেন্দবগী। তৌবতবু অচুম-অরান থিদনা মীয়াম চঙনা মীগী ময়ূম থুদেকপা, মৈ থাদোকপীবা, মরাল লৈবা অমনা তৌরবসু মরাল লৈজদবা ইমুং মনুংগী লৈফম চাফম লৈহন্দবা, অৰাবা কয়া পীবীবা হায়বসিসু মীনুংশিগী ৱাংমদা চথবা থবক ওইরোইদ্রা। ইমুংগী মীনদি ইনশিল্লল্লোই অমদি আইন লৈবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা?

মীৎনা উরিঙৈদদি ৱারক-ৱাতেম্না ৱাহৈ অমা ফাওবা হায়নদে। মপী-মপা ওইবনি হায়ফম-তৌফম থোকই হায়দুনসু ইমুং-মনুং, চফু-উয়ান কায়বদসু লৈশেন্বদা তাইনরগদি থিংঙৈলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোংদা তাইনবা ওইরোইদ্রা? ইশা-ইশানা ফজবা লোনচৎ, ফজবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, থক-খা খায়না থকসি-খাসি খঙনা চৎনরবা, কল্লক-খম্বল, মীহৌ চাউবা খরমখৈ থাদোক্লন্দুনা পুকচেল শেংনা লৈমিন্নরবা অদু ওইরবদি ঈং-তপ্পা লমদম ওইরক্কনি খঞে।

অমরোমদা মতমসিগী পাখঙ-লৈশা, য়ূম্বাল্লবা-য়ূম্বাল্লবী কয়াসু ৱাখল খরা খন্থবা য়ারে খল্লি। ঈথক ঈরাং কয়াগী ঈহৌদা ৱাথোক-লান্থোক তত্তনা থোকপনা মীয়ামদা অৰাবা পীবতা নত্তনা লৈশেন্বদসু কোক শারোই হায়নীংঙাই লৈতে। পূন্নমকসি খঙমিন্নদুনা ইশা-ইশাগীসু রাইট লৈহনবা অমদি ফজবা চৎনবী থম্বনা খুন্নাই অমদি মীয়ামগী য়াইফবা ওইগনি নীংজে।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*

*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়, ইম্ফাল*

# সাধুসু হুরাল্লি, মাইবসু খূৎ শাংই তঞ্জাদগী



এম পি, এম এল এ, লাইবক ফরগনা মিনিষ্টর ওইবা তল্লি হায়বা মী লৈনি নীংদে। মসি মণিপুরদনা অমুক হেন্না লৈনি নীংদে। মরমদি! মণিপুরদা ঙসি ফাওদা মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকপা, লৈবাক্কী চীং-তমগী লুচিংবগী মীতম শারগা লাৎপা য়াবা অমত্তা থোরক্তে। ৱার-ৱারবা মতাং কয়া হৌখিবা চহী কুন-কুন্থা অসিদি ঐখোয় ইমীৎসি তাঙনি। মতোমতা এম এল এ ওইবা তোকচবদি হায়রদনা দিসক্কালিফাই তৌরফাও পান্বে অমা তৌদুনা তোক্তনবা লাক্লে। মসিনা তাকপদি এম এল এ অমা ওইবা অসি য়াম্না নুংঙাইরম্বা তাই, খুদোংচাবা য়াম্না ফংলম্বা তাই, মীওইবা ওইনা পোকপদা খ্বাইদগী লাইবক ফবা মী হায়বদু ওইবা তাই। ফাগি-ফাগিদগী লৈবাক্কী ঈহৌনি হায়দুনা ফম কোক থাদোক্লুরো গভর্ণরনা অয়াবা কোক পীরো, ভোট (মীখল) অমুক হন্না থাদনরসি অমুক কাবা ঙমদ্রদি কহা মাঙ খুজাই কায় হায়দু তৌদুনা অদুম তোক্তৌরিবনি। ঐনা ভোট কারিবসি মীয়াম্না তশেংনা য়ারগা কাবা নত্তে লুপা ক্রোর-ক্রোর তিংলগা ভোটতু লৈরগা কারিবনি হায়বসি অপঙবদি নত্তবনিনা লোইনা খঙনরিবনি। এম এল এ, এম পি কারিবা ময়াম অসি ঐখোয়দগী শরুক লিশীং হেন্না শিংলবা ঙাক্তনি। মীখল মমাঙদা ঙাইহাক নুং খরা চাইশিন্নরনি, লম্বী খরা শেমজিন্নরনি, চাক চানহল্লনি লৈশাবী-মৌ, য়ু পান্বনা য়ু পীথক্কনি, শেল য়েনশল্লনি, লৈবাক্কী ঈহৌদা য়াওশিন দুনা লৈবাক নুংশিবা শাজিন্নরনি অদুদগীদি মীখলদা মায় পাক্লনি, মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্কনি, লেংবান্দা থাঙ্গৎলগা চৎকনি। এম এল এ, মিনিষ্টর হায়বদু অদুম ওইরে। অসুন্মাইনা কাখ্রবা মতুংদা চৎন-কাঙলোন লাল্লি নঙ দিসক্কালিফাই তৌরনি হায়বদা কনানা হরাউদৌরিনো? আই এল পি এস চৎনদ্রবদি, এস টি দিমান্দ পীদ্রবদি ঐ রিজাইন তৌরগনি হায়বা কনাগী অশিংবা মীহুৎনা য়ানীংদৌরিনো? তোল্লবা তাইবঙ মীওইপোক্তা পোল্লবা মী, নমু তাইবঙ মী অমনবু কনানা ওইজবা পাল্লোইদবগে? সাধু ববাফাওবা জেল চঙনরি, মাইবা শাবা কয়া নুপী-অঙাং, মৌ নহা মশক ফজবীশিংদা মখূৎ মশা শাংলুবগী জেল চঙনরি। হায়জিন্নরুবগী মফম লৈতে নুমিৎ খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা ফোঙলিবা পাউচে ময়াম অসিনা খুদম চাংদমনি। অদুনা মী হায়বসি ওইজ-ওইথক য়াম্না পান্বা, অচেংবা তাঞ্জা নান্থোকপা পামদবা, খুদোংচাবা য়াম্না পান্বা শা মখল অমনি। অদুনা অসিগুম্বা শা অসিনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরকপা তারবদি করি থোক্কনি। খুদোংচাবা ময়াম অমনা পীক থল্লবা শিনফম অমনি। মসিদা মীহুৎ ওইনা কারবা মীশক অদু লৈবাক্কী লুচিংবনি হায়গদ্রা চুম্না মীয়ামগী থবক তৌবা প্রোফেস্নেল নৎত্রগা চহী মঙাগী ওইবা এমপ্লোয় অমা ওইনা লৌগদ্রা? লুচিংবা হায়বসিগা মীহুৎ হায়বসিগদি মান্নফম থোক্তে। লৈবাক্কী লুচিংবা কয়া ভোট কাখিদে, ভোট কাখিবা ময়াম পূম্নমক অসি লোইনমক লৈবাক মীয়ামগী লুচিংবা ওইনা লৌবা তারবদি ৱাহং অমা থোরক্লে। নুপী নহাদা রেপ তৌরুবগী কেসতা চেন্নবা ময়াম, করপসন কেসতা চেন্নবা কয়া ভোট কারি, লৈবাক্কী শেল কয়া হাৎলবা মীরেপ কয়া ভোট কারি, মীহাৎ-মীপূনদা চেন্নবা মীশক কয়া কয়া মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা কারল্লি। মখোয় অসিসু ঐখোয়গী লুচিংবনি হায়না হায়গদৌরিব্রা? মখোয়গী মতুং ইন্দুনা ঐখোয়না মখোয়গী মতৌ অমুক তম্বা তারিব্রা? আহ! মীহুৎ ওইবা শোয়দনা অসুম নুংঙাইরমগনিদা! অদুননি মখোয়না হঞ্জিন-হঞ্জিন কানীংদুনা নৎত্রগা ভোট লেপনীংদুনা হাহাকার লাউনরি। মখোয়না ভোট হঞ্জিন হঞ্জিন্না কাবা য়ানবা মী অসি মখল খায়দোক্তুনা ভোট ফংনবা লাক্লরকই। পাখং-লৈশাবী, মৌ মখল কয়াগী রিজার্ভেসন, খুঙ্গংগী, সহরগী, ফুরুপকী মখলদা, লাইনীং কাঙলূপ্তা, চীং-তম, নুপা-নুপী, অঙাং-অহল কয়া কয়া খায়দোক্লগা ভোট খোমলকই। তোঙান তোঙানবা শক্তি (মতিক-ময়াই) পীশিল্লি। অদুবু পোৎতি অমত্তনি। মপূম ওইনা য়েংদে। নুপাসু নুপীসু, হনুবসু নহাসু, চীংমীসু, তম্মীসু লমদম অসিগী মী ঙাক্তনি। মখল মখল খায়দোক্তুনা ভোট ফংনবা লাক্লরি। মসিগী কান্নবদি ইমুং অমত্তদা লৈবা মী মশেল খৎনহনবদা কান্নে। মীয়াম পূম্বগী কান্নবগী ৱা তোল্লগা নুপীদা শক্তি, নুপাদা শক্তি হায়দুনা লৈরে। মীদা শক্তি পীবা পান্মী নুপীদা নৎত্রগা নুপাদা শক্তি পীবগী মহুত্তা । ভোট ফংনবা রিজার্বেসন পীবা, ভোট ফংনবা মী মচেৎ মচেৎ তাহল্লগা ভোট খোম্বা ৱারেকো।

# নুপী মশীং খঙদবা খুন্নাই লৈখিগদ্রা

**নবকুমার ওইনা**

এম পিগী ইলেক্সন লোইরে, মশীং থিদরি। ভোট থাদখিবা মশীং অমসুং এ সী খুদিংদা লৈবা নুপা-নুপী মশীং পাউচেদা ফোঙলে। কনা কাগদৌবনো কারসনু। ভোট তৌরবদি অমা নৎত্রগা অমা ইলেক্ট তৌরগনি। নুংঙাইরিবদি ইলেক্তেদ অমনা অমুক্তা হায়খিদ্রিবা, তৌখিদ্রিবা থৌরাং অমদি ভোট থাদবা য়ারবশিংগী মশীং অসিনা পীরক্লি। করি তৌগদৌরি?

কুমজা ১৯৯৯দগী লাউদুনা লাকখি ‘নুপীনা মশীং হেল্লি’ হায়না। মীকোক মশীং থিবগী চুমদবা, য়ানীংদবা কয়া থেংনখি। চে য়াওরিবমখৈ মী মমিং ইখিসি হায়বা মফম লৈখি। ইবা মতমদসু নুপা মশীংনা য়াম্না ইবনি, ভোট থাদবা চৎপদা নুপানা চৎপনা ফৈ হায়রকখি। ঙসিসু জিরিবামদা নুপানা ৮৭৬ হেল্লি, ইথা থাজদে। কারোংদসু নুপানা ১১২৮ হেল্লি, তদুবীদা নুপানা ৬২৫ হেল্লি, খুন্দ্রাকপমদা নুপানা ৪৩৮ হেনবা, কুম্বীদনা শুপ্নতগী ৮০ নুপানা হেনবা অসিনি। অতৈ এ সীশিংদা নুপীনা হেনবা পূন্নমক্লি। ষ্টেটকী ওইনা পূন্না নুপী মশীংনা ৫২৩৪৭ হেল্লি (চহী ১৮গী মথক ঙাক্তনি), অঙাং য়াওরবদি মসিদগী হেল্লম্বা য়ারিবনি। কুমজা ২০১১গী মীকোক থিবদা নুপানা ২১৩৭৮ হেল্লি হায়না উৎখি। থাজদে হায়না লাউনবা হৌখি। কুমজা ২০১১দা উৎলিবা (নুপা ১১,৬১,৯৫২, নুপী ১১,৩১,৯৪৪) নুপানা মশীং লিশীং ৩০ হেল্লি হায়বসি থাজখিদবনি। ঙসিনা ভোট থাদবা য়ারবা মশীং নুপীনা ৫২,৩৪৭ হেল্লে। চহী অমদা লিশীং ২০ হেনগৎপা য়াগদ্রা? মীকোক থিবগী থবকসি থাজবা ঙম্নদে। মীকোক মশীং থিরিবশিংগী ৱাদা নত্তে, মীয়াম্না মীকোক মশীং থিবদা অচুম্বা তৌখিদে হায়বগী মমি চাউনা তাখি। পুকচেল শেংনবা ঙমখিদে। ঙসি ফাওবা লোইনা থাজবা ঙম্নদে হায়গনি। মসিদগী ওইগনি খল্লি এন আর সী তঙাইফবা লাক্লিবসি।

লৈবাক অমগী য়ামখ্রবা মীয়ামসি মশীং থিবদবু খরা চেন্নবা হৌনশানি খনবসু য়ারি। নুপীনা মশীং হেল্লে হায়বসিদি ঙসিতা অচুম্বা ওইরক্লি। মশীং খঙবগী নুংঙাইবা, হরাউবা ঙসিদি করি ওইবা তারি। ঐখোয় খরগী মীশিং য়াল্লে, ইশাগী ফুরুপ হিংবা ঙল্লগনি নৎত্রগা লান তৌনরবসু য়ারগনি খন্নবা য়াওনরম্বসু য়ারক্লি। মী মশিংনা লান অমা চথরিবা মাল্লকপগী ৱাফম কয়া নোংমা কাংদনা পাউচেদা য়াওবগুম তৌরি, মীতোপ চঙশিল্লকপা লেপত্রি। মীয়ামসিনা মীতোপ কৌশিনবা মানবগী ৱাসু য়াওখ্রে। মসিবু হিংমিন্নসি হায়বগী ৱারা নৎত্রগা লান তাশিল্লকপনি হায়বদা য়াগদৌরিব্রা? মরক অসিদা লৈঙাক্লা করি থৌরাং পায়খৎপা য়ারি, মীয়াম্না করি তৌবা তারি। নুপীশিংনা করি খনবা তারি, করিনা ৱেলফ্যের ওইগদৌরি। খেৎঙাঙদা চবেং-চবেং ঙাঙবনা থৌশিল ওইহনবা ঙমগদৌরিব্রা? লৈঙাক্তা পংতাইদা তায়নবা অসিনা করি পুরকপা য়াগদৌরি। নুপী খুন্নাইনা নুপী মশীং খঙলগা করি অহোংবা পুরকপা ঙমগদৌরি। ইশম শম্না লমহাংদা শিবা মশীংদি হেনগৎলকপা য়ারি। লূপ ময়াম্না করি থৌরাং চথবা য়ারি, খঙনা খঙনা অদুম মুৎচখিবা তারিব্রা? লৈবাক মচা তাবা ৱাখল্লোন অমগী তঙাইফদবদু লাক্লি। খেৎঙাঙদা ৱারৌ-পুকলৌ তৌনরগা ফুরুপ মরক্তা মুক্লবনদি অৰাবা কোকপা ঙমগদৌবা লৈতে হায়গনি। তঙায়ফদনা ফুরুপকী অপিকপা ৱাখলশিং থাদোক্লদবা য়ারক্তবগী মতাং লাক্লি।

লোনা পীরিবা মীওইবগী রাইট খঙনহল্লগা লিশীং ৫২গী চঙজফম ফংলগনি হায়বদি লৈতে, লো অদুমক শেন্বা নৎত্রগা শেমদোকপা তঙাইফদবা লাক্লি। চাইনাগুম্বা লৈবাক্লা লো শেমদোকপা ঙল্লি, অঙাং অনী লৈবা য়াখ্রে। লৈবাক অসিদনা অপঙবা শিরগা ফেমিলি প্লান্নিং তৌহল্লগা ফুরুপ মুখৎনবা তৌবগা মান্নরক্লি, ফুরুপ অমনা লাইনীংগী মীংদা অঙাং ১৪/১৫ পোক্লবসু লৈঙাক অসিনা করিসু তৌবা ঙমদে, ইথনোগ্রাফিগী লান্দা খঙশিন্নদনা লৈবনি হায়বা য়ারি। সেক্যুলরিজম হায়রগা লাইনীং খরদা ফ্রী থাদোকপা মাল্লক্লি। মশাগী লাইনীংগী খল্লিঙৈ অতোপ্পা লাইনীং লাকশিনবা ঙমজদ্রি। দেমোক্রেসিদা লাইনীংগী লান থোকচিল্লক্লি। সেক্যুলরিজম হায়বসি ৱাহন্থোক ওন্নরক্লি, কনাসু সেক্যুলর ওইরক্ত্রে হায়বা তারক্লি। হীরম খুদিংমক্তা লাইনীং শীজিন্নবা য়ারকপা মাল্লক্লি। স্কুল, কোলেজ ফাওবা লাইনীংগী খেন্নবা লৈরক্লি, লাইনীংগীদমক মাইনোরিটি খায়দোকপা য়াহল্লি, লাইনীং অমবুনা লৌখত্তে। লৈঙাক্লা লাইনীংদা ফোংনা মীচং চঙবা উরি। পৈশা থোকপা লাইশঙদি লৈঙাক্লা লৌশিনবা য়াওরি। চাইনাদনা লাই অমসুং লাইনীংগী থৌরমদা লাংবা য়াহন্দে, মতম মাঙহন্দে। লমদম অসিদনা লাইনীংগীদমক নুপী-অঙাংশিং মতম য়াম্না মাঙহল্লি, অপঙবা শিরিব্রা, মুৎনবা শিল্লিব্রা হায়বগী ৱাফম লাক্লি। নুপী মশানা মশাগী মশীং খঙজদবা ৱাসি মচা নত্তে, খুন্নাইগী শক্তম মাঙথরকপা য়ারিবনি, শক্তমদা নত্তনা খুন্নাই অদুমক মুখরকপা য়ারিবনি। নুপী লিশীং ৫২না য়ূম পান্দবা হায়বসি ক্রাইম শেমগৎপনি, মুৎনবা শিঞ্জবনি হায়গনি। মদুগী থৌশিল থৌরাং করিনা ওইবা তারি, তঙাইফদবা লো করি শেন্বা তারি। লো হায়বসি মতম মতমগী হোংবা য়াবনি, মীনা হায়বঙাক্তা ইন্দুনা লৈগদৌবসু নত্তে, চেদা ইবা খুদিং খুল্লক্তা চৎনবসু নত্তে। হীরম অনীদা নুপী খুন্নাইনা করি হায়রিবা ঙসি ফাওবা ময়েক শেংনা লৈত্রি। লো খরগী কোয়লাউ লাউবসিনা থবক তৌরিবনি খনবসু লানগনি। মী খুদিংদা চৎনদবা লো ময়াম লৈ।

খুন্নাইসিগী ৱাংমদা য়ূম পানখিবা মশীং হেনগৎলকপা তারক্লি, ফুরুপশিংগী মরক্তা চারৌ-মৌরৌনবা হেল্লক্কনি। মদুদা অথিংবা থম্বসু লাল্লক্লি, নুপী লৌবগী জাৎ ওলহনবা লোগী ওইনা লাল্লি। নুপী খুন্নাইনা লো খঙনা মশাগী রাইট ঙাক্লা চৎপগী মহুত্তা নুপা খরনা হায়বদা পঙইন্দা ইল্লগা মপাম লমদমবু হন্থনা খনবা নুপী ফুরুপ য়াওরক্লি। লমদম অসিগী নুপীশিংনা খুন্নাই অসি মুৎনবা শিনবদা য়াওশিনখিবা মাল্লক্লি। পোকঙমদনা পোক্লিবা মপোক অসিদা নুপা খুন্নাইনা হায়বতা ইনগনি হায়বসি মালেমগী মফম খুদিংদা চৎনবা ৱাফমদি ওইদ্রবনি। লমদম অসিদদি মপান্দগী ফুজিল্লকপা নুংশিৎনি, ঙসিনা মরা তাশিল্লকপনি, মদুসু লমদম অসিগী নুপীশিংননি। নুপী পূন্নমক্লদি নত্তে।

নুপী লিশীং ৫২না য়ূম্বান লম্বী থিরকপদা লোনা অথিংবা পীবদি লানগনি। মীওই খরগী হান্না থাজবদু হোংবা তারকই। লো খঙবশিংগীসু ইরগা লৈরবা লো খরা ঙাকপগী মথক্তা অনৌবা লো শেন্বসু হৈগদৌবনি। নুমিৎ-থাদগী ইরগা থাদরকপা নত্তে, মতম-মতমগী লো শেন্বা তারকপদুনি। খুল্লক্তা চৎনবা শাজৎ খুদিং লো ওইনা ইরগা লৈবসু নত্তে, চৎনদে হায়বসু য়াবা নত্তে। জজমেন্ট হায়বসি দি ক্রুথ হায়বা অচুম্বদু নত্তে হায়বসি লোগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱানি। লমচৎ ফজবা পান্বা-পান্বীশিংনা য়ানবা হায়বসিদা লো চঙদে হায়বসি খঙবা ফবনি, মীগী শো মখুন্দা কোয়শেন শেন্নদুনা য়েংবসিমক ক্রাইম অমনি, ঙানা ঈশিংদা ৱা ঙাঙদে হায়বসি মীওইবগী শাজৎ অমনি। নুপী কয়ানা ৱাথোক শেন্নবা পান্বদগী ক্রাইম কয়া শাগৎলি হায়বসি খঙনদ্রিবগুম উহল্লি। অফবা শাবা হায়বসি ফত্তনা হৌরকপগী ওইগল্লি হায়বসি মীয়াম্না খন্নবা ৱানি। নুপীনা লমশি-শিবা মশীং ৱাংখৎলকপা অসিদি লাই নীংদবা, লাইরিক তমদবা, মমা-মপা য়ূমলিং খুল্লিংদবা, শেন্থোক লৈতবা ইমুংদা পোকপা, কোক্কী অশোয়বা লৈগনবা, খুন্নাইগী চৎনবী ঙাকপা ঙমদবশিংনা ওইগল্লি।

মৌনা য়ূম থাদোক্তুনা মাঙখিবা য়াওনরল্লিবা অসি ফত্তবা লোনচৎ অমা ওইনা পাউথোক্লবা অচুম্বা নত্তে, মালেমগী মফম খুদিংদা থোকপা থৌদোকনি। শেন্নগদৌবদি এদ্যুকেসন পীবদুনি, ময়ূম মৈ থাবদু নত্তে। য়ূম পানবসি লাইশঙগুম্না লৌনবদি থাজনবীনি। নুংশিনদবা নুপা-নুপী লুহোংবা মশীং খঙদনা লৈগনি। তাঞ্জা অমদগী লৈমিন্নখিবা মশীং থিঙমদনা লৈরিবনি। মচা-মশু পোক্লরিবসি নুংশিনবগা মরী লৈনদে, রেপ্তু মচা পোকপা ময়ামনি। জর্মন্দদি লৈমিন্নবা য়াবদু নুংশিজগে হায়বা লৈরিবনি। লাইনীং লিচৎতা কোমথোকপা, য়ূম্বানলোনগী কাঙলোন খঙনবা ৱাৎপা, নুপা-নুপীগী মরীদা পেন্নাইদবা পোক্লবা য়াওবা, লাইরিক খূতম্বী লানবা অমসুং লাইরিক পানদবদগী খুন্নাইগী শক্তম শাগৎপদা অফবা থৌদাং লৌবা ঙম্নরক্তবনি। লৈঙাকসু শেল থুমগী লাংদা থুখিবদগী মীয়ামগী মোরেলগী ৱাফম লাপ্না লাম্বা ফংদনা লংথোক্লম্বা মাল্লক্লি। মোরেলদি লো ঙাক্তনা শেন্নবা য়াগদৌবা লৈতে হায়বসি ইলেক্তেদশিংনা খঙখিদবনি হায়বা য়ারিবনি। ঙসি ফাওবা হীরম অসিদা চৎনরবা থৌরাং অমত্তা লৈত্রি। মীনা শেন্বীরকপা লো পাবদা, লোদু ঙাক্লবা হোৎনবদা হুমাং তাজরিবা মাল্লক্লি। শেংনা হায়বা তারবদি মোরেলদা খ্বাইদগী করপটেদ ওইবদি ইলেক্তেদশিংনা ওইবগুম ঙাঙনরবনি। মখোয়গা নক্লবশিংনা খুল্লক্তা চঙলকপা হায়বসি ক্রাইম থোকহল্লগনি হায়বা য়ানরক্লবনি। ক্রাইম থোকপদসু মখোয় য়াওশিনবা হেক-হেক থোক্লিবনি। ভোট কানবা হোৎনবদা ৱাথোক কয়া তোয়না থোক্লিবনি। মখোয়গী ইমুং মনুংনা ক্রাইম শাগৎপা য়াওরম্বা ৱা-ৱা লাউনরবনি। নুপীগী ক্রাইম থোক্তনবা কনানা লো শেমগদৌরি। হৌজিক ফাওবগীদি লোনসু য়াদ্রবা ৱাথোক ময়ামসি লাকশিনবা ঙম্বগী থৌরাং উদ্রি। লৈঙাক অসিনসু মোরেলগা মরী লৈনবা ক্রাইমশিং শেন্নগনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদা লাক্লবদি শাগী তাইবঙ অমদা চঙশিল্লি হায়বা তারক্লিব্রা? পান্বে অমদি থিদবা য়ারোই, ৱাখল্লোন কয়া হোংদবা য়ারোই, ঐ অমনা ফবা-ফত্তবা লেপ্পা য়ারোই। তঙাইফদবদা লোনা কৈদৌনগে হায়বনো? ৱাখলগী থাক অমা শাগৎপা তারক্লি। মালেমসিগা শম্নদবা নোংমদোনগী লাই লৈবাক অমা ওইনা তরং-তরংবা তাইবঙপাল অমা শেমগৎপা পান্বশিংনা মীওইবগী শাজৎশিংবু পান্মী-পামদে, ফজৈ-ফজদে খন্দোক্লবগী রাইট লৈরবদি নত্তে। ঐনা পামদবমখৈ অরানবনি খনবা তারবা মোনাকির্জম ওইগনি। ফত্তবমখৈ তৌবা য়ারোই হায়বসিনা দিক্টেটোরিয়েল ওই হায়গনি। মায়খল-য়ুখলগী মনুংদা লোনা চঙলুবা য়াদে, প্রাইভেট লাইফকী রাইট শোকপা য়াওরক্লবদি ক্রাইম শাগৎলিবসি অফবা শারিবশিংনা ওইগদৌরিবনি।

নুপা-নুপী ৱারী শানবা অথিংবা পীরবদি য়ূম্বাল লম্বীদা অথিংবা পীবগুম্বনি, খুন্নাইদু মুৎচনবগী শাজৎ শাগৎচবনি হায়গনি। শকখঙনদবশিংনা শাগৎপা ইমুং অফবা ওইদবসু য়ারিবনি। চানা-থক্ল বা হোটেলবু মী উদনবা অমাংশঙ মানবমখৈ খাজিনবা য়াওনরক্লি। অদু য়ৌনা হোৎনরবসু লিশীং ৫২দি অদুম্মক লেম্বা তারিবনি। লেমহৌগদৌবিশিং খন্দোক্তুনা থম্বসু ঙম্বা নৎত্রি। লৈবাক খুন্নাই অসিনা থৌরাং অমদি তৌফম থোকই হায়বনি। ফেমিলি ৱেলফ্যের হায়বসি ৱাহন্থোক লৈতবা মীয়ামগী মপূং ফাদবা থৌরাং তারক্কদৌরি।

ৱা ঙাঙনদনা চথনখ্রবা থৌরাং কয়া ৱা-ৱা লাউদুনা লৈবা হায়বসি হিংবা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন নত্তে হায়বসি নুপী খরনা শম ফোয়নরগা লোইশিনবা য়াগদৌবদি নৎত্রি। পূন্না লৈমিন্নবা য়াদ্রিবসি নুপী ওইবা তারক্লি। ফজৈ-ফজদে হায়বিবসু নুপী খরখক্তনি। নুপীনা য়াদ্রিবসু নুপী খরনি। য়েৎনরিবসি নুপী মশীং য়াম্বা হেনগৎলকপনা ওইগদৌরিব্রা খঙনবা নৎত্রি।

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*